নোর্থ ইষ্ট রিজনেল স্পোর্টস ৱীক

# মণিপুরনা আর্চরি রিকর্ব টিমদা গোল্ড ১, সিলভর ১ লৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএনএস): য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল স্পোর্টস ৱীককী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড ১ অমদি সিলভর ১ পূন্না মেদল ২ ফংবা ঙমখ্রে।

গোল্ড মেদল ফংখ্রবা ষ্টেটকী নুপা আর্চর টিমনা ঙসি শান্নখিবা রিকর্ব টিম ইভেন্টতা পূন্না পোইন্ট ৫ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। অদুগা অসামনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা সিলভর মেদল অমদি নাগালেন্দনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

নুপীগী রিকর্ব টিম ইভেন্টতা অসামনা পূন্না পোইন্ট ৬ ফংদুনা গোল্ড মেদল অদুগা মণিপুরনা পোইন্ট ২ ফংদুনা সিলভর অমদি নাগালেন্দনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

নুপা আর্চরশিং অদুদি অকোইজম অমর্জিৎ, এল য়ুহেনবা মৈতৈ, দল্লিয়ু লিওনার্দ অমদি এম মালেমঙানবা মৈতৈনি। অদুগা নুপী আর্চরশিং অদুনা থৌনাওজম স্বাসিতা, য়ুম্নাম অনুপামা, জেনিফর পাওনম অমদি গাংমৈ লনগুইলুনি।


গোল্ড মেদল ফংখ্রবা নুপাগী আর্চর টিম (ওই), সিলভর মেদল ফংখ্রবী নুপীগী আর্চর টিম (য়েৎ)

অমরোমদা, খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী তোঙান-তোঙানবা কেথ কেটগোরিগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিংদা মায় পাক্তুনা মণিপুরগী নুপী বোক্সর ৪- থিয়াম অপসারা, নাওরেম বেবিরোজিসনা চনু, হুইদ্রোম অন্বেশ্বরী অমদি তিংনৈহিং চোংলোই সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

থিয়াম অপসারানা কেজি ৪৬কী বাউটতা নাগালেন্দগী মনচেনবু ৫-০দা মায়থীবা পীখি। নাওরেম বেবিরোজিসনানা কেজি ৫৪গী বাউটতা অসামগী ভুপালি হজারিকাবু ৫-০দা অদুগা হুইদ্রোম অন্বেশ্বরীনা কেজি ৫৭কী বাউটতা অসামগী অরোটি দোলিবু অনীশুবা রাউন্দদা রেফরিনা কন্টেষ্ট লেপহন্দুনা মায় পাকখি। অদুগা তিংনৈহিংনা কেজি ৭০গী বাউটতা নাগালেন্দগী জোরাবু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা সোইবম য়াইফবনা অরুনাচলগী হরিসাংনোবু কেজি ৫০গী বাউটতা ৪-১দা, চুংনৈরেং এম কোমনা অসামগী মুকুন্দা মাধব গোগোইবু কেজি ৬০গী বাউটতা ৪-১দা অদুগা লৈমপোকপম রাহুলনা সিক্কিমগী বাল বহাদুর লিম্বুবু কেজি ৭৫গী বাউটতা য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখি।


ষ্টেট বোক্সর এল রাহুল (কেজি ৭৫)

অমরোমদা, তাকয়েলগী সাই আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফুটবোল মেটচতা মণিপুরনা অরুনাচলবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মণিপুরনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা গ্রুপকী মেটচতা পূন্না মেটচ ২ মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মণিপুরনা শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা অসামবু ৪-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

মণিপুর অমদি অরুনাচল প্রদেশ অনীনা শান্নখিবা মেটচতা সুল্টানানা শান্নবা হৌরকপগী ১৪শুবা মিনটতা মণিপুরগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এস রিনারোইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা ষ্টেট টিমগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা কে এস ঐচ নাওচানা শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা মণিপুরগী গোল অমগা হাপচিন্দুনা অরুনাচলবু ৩-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরি এন অমর্জিৎনা অরুনাচলগী তামিসোরাম অমদি মণিপুরগী এম মন্দাকিনি শান্নবগী ১৭ অমদি ৬২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা মফমদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফুটবোল মেটচ অনীদা নাগালেন্দনা মিজোরামবু ৪-০ অদুগা সিক্কিমনা ত্রিপুরাবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা, দি এম কোলেজ ইন্দোর হোলদা ঙসি শান্নখিবা টেবল টেন্নিসকী নুপীগী টিম ইভেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরনা ত্রিপুরাবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঐচ সেনেরিতানা শ্যামালি বানিকপু ৩-০ (১১-৪, ১১-৯, ১১-৯)দা, এস থাজমানবীনা সুপরনা দেভবর্মাবু ৩-০ (১১-৭, ১১-৬, ১১-৪)দা অমদি এস আশালাতানা মৌমিতা শাহবু ৩-০ (১১-৮, ১১-২, ১১-৭)দা মায়থীবা পীখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা মফমদা বেদমিন্টন টিম ইভেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা মণিপুরনা মিজোরামবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। অহানবা সেমীফাইনেলগী শান্নখিবা মেটচতা অরুনাচল প্রদেশনা অসামবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মণিপুর অমদি অরুনাচল টিম ইভেন্টকী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

সন্তোশ ট্রোফি

# মণিপুর সেমীফাইনেলদা লৈহৌরে, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি য়ূম্বু কেরলা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



মলপ্পুরম, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী): কেরলানা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা ৭৫শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফিগী ঙসি মঞ্জেরি পেয়ানাদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা মণিপুর ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মখূৎতা ০-৩দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

মায় পাকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু টিম কেরলাগা ফাইনেলদা মে ২দা মঞ্জেরি পেয়ানাদ ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরগনি।

মণিপুর অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গল অনীনা শান্নখিবা মেটচতা শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ সুজিট সিংহনা পোষ্ট ময়া নক্লা মখাদা কাওরকখিবা বোল অমা মণিপুরগী গোলকিপর চিঙ্খৈ মৈতৈনা ফাবা ঙমহৌদবদগী গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ২শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কাউন্টর এটেক অমদা এম দি ফর্দিন অলি মুলানা ১৮ য়ার্দ বোক্সতগী শাফূ কন্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তানা মণিপুরগী নুপামচাশিংনা গোল হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা এটেক কয়া চথুরবসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অৱাংবা দিফেন্সশিংনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি।

মণিপুরগী কোচ গিফ্ট রাইখানগী ষ্ট্রেটেজি হোংদোক্তুনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা গোলকিপর চিঙ্খৈ মৈতৈবু শীন্দোক্তুনা এম দি অবুজার শান্নহনখি। শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা মণিপুরগী শুকশোয়দনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কিপর প্রিয়ানকুমারনা অনীরক সেভ তৌদুনা অরেম্বা তাহনখি। গোলকিপরনা লুনমিনলেন হাওকিপকী হেদিং অমা ঙাকথোক্লুবা মতুং রোমেননা অমুক হন্না কাওশিল্লকখিবা থক্তোরকপা বোল অদু গোলকিপরনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখিবনি। মখা তানা অহানবা হাফ লোইরমদাই মণিপুরগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা থিয়াম চিঙ্খৈঙানবনা কাওরকখিবা ফ্রী কিক অমা সুধির লাইতোঞ্জমনা নীংথিনা ফাদুনা কাওশিল্লকখিবা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখিবগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মণিপুরবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লীদ তৌখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা মণিপুরগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বোক্স মনুংদগী সোমিসোন সিরকনা খায়রকখিবা বোল অমা সুধির লাইতোঞ্জমনা গোল ওন্থোকপা ঙমহৌদবদগী অরেম্বা তাখি। মখা তানা সোমিসোনগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমসু গোলকিপর প্রিয়ানকুমারনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কাউন্টর এটেক অমদা মণিপুরগী গোলকিপর এম দি অবুজারনা শুকফা ফাবা ঙম্লোইদবা মওংদা দিলিপ ওরোননা ৱাংনা থাদরকখিবা বোল অমা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মণিপুরগী কোচ গিফ্ট রাইখাননা গোল হন্দোক্লুবা শান্নবগী ৭৮ শুবা মিনটতা শান্নরোয় অহুম জাংমিনলুন কুকি, লুনমিনলেন হাওকিপ অমদি সুধির লাইতোঞ্জম শীন্দোক্তুনা নিংথৌজম মোমোচা, খাইদেম জে ক্কি অমদি এন জি বিদিনপার মোয়োন চঙহনখি।

মখা তাবা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মণিপুরবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরি সেন্থিল নাথন এসনা মণিপুরগী শান্নরোয় লাইশ্রম চিঙ্খৈঙানববু সুভেনধু মন্দিদা ফোল তৌরুবগী শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি। রেফরিনা মখা তানা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিফেন্দর সুভেনধু মনি দবু লুনমিনলেন হাওকিপনা পুরকপা বোল অমা লৌনবা হোৎনরুবদা ফোল তৌরুবগী শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

লোইশিল্লকপদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গোলকিপর প্রিয়ানকুমারনা প্লেয়র ওফদি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরনা ঙসিগী মেটচ অসি মায় পাক্লম্বা তারবদি চহী ১১গী মতুংদা অমুক হন্না সন্তোশ ট্রোফিদা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা টিম ওইরমগদবনি।

মণিপুরনা সেমীফাইনেল অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা গ্রুপকী লীগ গেম ৪ শান্নখিবদা ৩ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ওইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অমরোমদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা গ্রুপ এগী লীগ গেম ৪ শান্নবদা ৩ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা গ্রুপকী রন্নর্স অপ ওইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, য়ূম্বু কেরলানা শগোলশেন নুমিৎতা মঞ্জেরি পেয়ানাদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা কর্নাটাকাবু লাকচনা গোল ৭-৩দা মায়থীবা পীদুনা হান্নদা ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রবনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি কেরলা অনীনা থা অসিগী ১৮দা গ্রুপ এগী শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ূম্বু টিম ওইরিবা কেরলানা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু ২-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি

# সুর্মা এফ সী অমদি এস এম দি সী, পান্থোইবী এফ সী অমদি য়াইরিপোক এফ সী দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথরিবা টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ জিগী মেটচ অমদা সুর্মা এফ সী ৱাংজিং অমদি এস এম দি সী সোরা ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৱাংজিংগী সুর্জাকান্তনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০দা সোরা টিমবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ইজাজনা শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা মখা তাবা শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী ১-১দা দ্রো ওইখি।

চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পান্থোইবী এফ সী অমদি য়াইরিপোক এফ সী ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। বিশ্বরজিৎনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা পান্থোইবী গোল চনবা ঙমখি অদুগা এস রাজধাননা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা য়াইরিপোক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থাংজনুমিৎতা গ্রুপ ঐচকী মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা ১৩ ষ্টার্স ৱাই দি এ খাংঙবোক অমদি য়ং ফোটোগ্রাফি এফ সী ওল্ড চেক্কোন নুংথিল পুং ২দা শান্নরগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা ব্রদর্স এফ সী ক্বাকৈথেল অমদি এন এফসী নিলাকুঠি নুংথিল পুং ৩দা লম্বা তৌনরগনি।

বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপ

# পি ভি সিন্ধু সেমীফাইনেল চঙখ্রে

মনিলা, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী): দবল ওলিম্পিক্স মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী হি বিং জিয়াওবু মায়থীবা পীদুনা চথরিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপকী ইরাই নুমিৎতা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

সিন্ধুগী ঙসি মায় পাকপা অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা চহী ২ গেপ লৈরুরবা কন্টিনেন্টেল ইন্দিভিজ্যুএল চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল অমদি শোয়দনা ফংবা ঙম্লগনি।

৪শুবা সিদেদ সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ২০১৪ গিমচিওন এদিসনগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট চাইনাগী ৫শুবা সিদেদ বিং জিয়াওবু পুং ১গা মিনট ১৬ চুপ্পা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ২-১ (২১-৯, ১৩-২১, ২১-১৯)দা মায়থীবা পীখি।



নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী শট্টলর সিন্ধুনা বিং জিয়াওগী মখূৎতা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা মায়থীদুনা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখিবনি।

সুপর ৩০০-সয়েদ মোদি ইন্টরনেসনল অমদি স্বিস ওপন টাইটল লৌরকখ্রবী হায়দরবাদতগী চহী ২৬ শুরবী শান্নরোয় অসিনা সেমীফাইনেলদা জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনরগনি।

# ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী লমজিং মখাদা চুড়াচান্দপুর বট্টালিয়ননা শীন্দুনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা এল সানটিং ভিলেজকী য়ুঠশিং অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা শান্নখ্রে।

ফ্রেন্দলি মেটচ অসি লমদম অদোমগী দ্রগ মেনেস থেংনবদা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নবা অমদি স্পোর্টসপু প্রমোট তৌবা ওইনা 'ফাইটিং দ্রগস থ্রু স্পোর্টস' হায়বা থিমগী মখাদা পাঙথোকপনি।

ইভেন্ট অসিনা লমদম অদোমগী নহাশিংগী টেলেন্টশিং খঙদোক্লবগী প্লেটফোর্ম অমসু ওইরগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# আই দল্লিয়ু দি এফ এনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌবা য়ুনিটশিং অমদি ক্লবশিংনা মখোয়গী এফিলিএসন ফী মে ১০ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্লবা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ চেতনচন্দ্রনা খঙহল্লক্লি।

ADMISSION OPEN
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7616/22/4-20/5 (alt)

UPGRADE YOUR TRADING SKILL
ELIGIBILITY :- BASIC KNOWLEDGE OF TRADING
ONLINE COURSE in Manipuri Language
NEXT BATCH STARTS FROM 5TH MAY 2022
TIMING
7.30 AM TO 09.00 AM
DURATION :- 18 DAYS
LIMITED SEATS AVAILABLE
COURSE FEE RS. 10,000/-
ENROLL BEFORE OR ON 30.4.2022 → OFFER RS.8,000/-
GET REFERRAL BONUS RS. 1000/- FOR ADMITTED STUDENTS
1ST INSTALL MENT- RS.4000/-
2ND INSTALLMENT - RS.4000/- (AFTER 9 DAYS CLASS)
WHAT WILL YOU LEARN
PRICE ACTION I WHAT IS OPTION | PUT & CALL | OI ANALYSIS | TIME FRAME | CPR | MOVING AVERAGE | ENTRY & EXIT | OPTION & SWING TRADE | MONEY MANAGEMENT | TRADING PSYCHOLOGY | RISK REWARD | POSITION SIZING |
FEATURES:
DAILY EOD CHART ANALYSIS OF NIFTY & BANK NIFTY FOR 3 MONTHS | | RECORDED CLASS VIDEO ACCESS UPTO 1 MONTH | LIVE MARKET DISCUSSION BASED ON PRICE ACTION
COMING SOON OPTION STRATEGIES COURSE
FOR ADMISSION PLZ CALL OR WHATSAPP ON +91-7005851073
MANGAL TRADING ACADEMY, KAKWA LILANDO LAMPAK
HL-P/2331/23-30/4


CUET COMMON UNIVERSITY
Entrance Test CUET (UG) - 2022
(To be held in the month of July - 2022 by NTA)
FORM ISSUE :- 20/04/2022
CLASS STARTS :- 12 May, 2022
ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
SHIFT :- (Morning and Evening)
HIGHLIGHTS :-
1) Compulsory for all students to be admitted in Colleges under Central Universities of India.
2) Admission selection only based on CUET scores.
3) Computer based test on language (200 m), optional subjects (200 m) & General Test (300 m).
4) Examination Centres :- Imphal and Chandel.
For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, Contact No. - 8258013846
HL-B/7608/27-30

S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR BOTH CBSE & BOSEM FOUNDATION COURSE
CLASSES: VI to X, XI & XII (Sciences)
Subjects offered are:
For Class VI to VIII – All subjects
For Class IX & X – Maths, Science, Social Science & English (MM as per condition)
For Class XI & XII – Maths, Physics, Chemistry & Biology (Eng. & MM as per condition)
Hurry Limited Seats!!
CLASS COMMENCING SOON UNDER PROPER SOP
Special Features are:
1. Regular Test
2. Perfect Student's help notes and Q & A
3. Well known Guest Facilities
4. Practical teaching method
5. Van Services
6. Hostel for Boys & Girls
Duration of Course IX & X – 5 Months XI & XII – 6 Months
Class Timing: Morning: 5:00 am to 7:30 am Evening: 4:00 pm to 7:00 pm
* Home Tuition available for classes VI to XII
*Special reference for weak students and 1 month free classes on previous year.
For more details Please Contact: 9089770462 / 9362333195
HL-P/2135/1-30/4 (alt)

LOAN AVAILABLE

EMPLOYMENT NEWS
> IMPHAL BRANCH:- Security/Gunman-2
> SEKMAI, MOIRANG, NAMBOL, THOUBAL, KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2, Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2, 2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KACHHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7613/22/4-20/6

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 440**

**Jitea, Andrei Cristian (1479) - Ashwin, Sairam (1670)**
**Hannibal Online op U14 Chess.com INT (4), 2020.06.04**

1.d4 Nf6 2.c4 e5 3.dxe5 Ng4 4.Bf4 Nc6 5.Nf3 Bb4+ 6.Nbd2 Qe7 7.e3 Ngxe5 8.Nxe5 Nxe5 9.Be2 O-O 10.O-O Bxd2 11.Qxd2 d6 12.b4 Bf5 13.Rac1 Rad8 14.Rfd1 Rfe8 15.Qc3 Ng6 16.Bg3 a6 17.Bf3 Be4 18.Bxe4 Qxe4 19.Rd4 Qc6 20.Rcd1 Re7 21.c5 Rde8 22.Rd5 Re4 23.Qd2 dxc5 24.Rxc5 Qb6 25.Rxc7 Qxb4 26.Qd5 R4e6 27.Rxb7 Qa3 28.Bd6 Qa4 29.Rc1 Rd8 30.Be7 Re8 31.Bb4 Ne5 32.Rcc7 a5 33.Bxa5 Qh4 34.Bc3 Ng4 35.Rxf7...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 439 Ans. :**
24. ...Qe4 The black queen forks White's rook and knight. 25. Rxd3 Rxd3 The black rook attacks White's knight, which is pinned. The black rook captures White's rook, which was defending White's knight. 26. Kg1 Qxf3
24. ...Qe4 25. Rxd3 Rxd3 26. Qb2 Qxf3+ 27. Kh3 Qg4+ 28. Kg2 Qe4+ 29. Kh3 Qd4
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com